www.sanaleibak.in

সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

ইন্দিয়া পুম্বা এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাউন তৌরিঙৈগী মনুংদা মীয়াম্না থেংনরিবা চান–থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্ননবা থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীয়ামদা লেন্না য়েন্নবা চেঙ থিল্লকপগী শক্তম

কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লনবা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী পার্সোনেলশিংনা ফায়র টেন্দরশিং শীজিন্নদুনা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বী–লমজাউশিংদা ভাইরস হাৎপা ডস্বা তিলহাৎ হিদাকশিং কাপথোকপগী শক্তম অমা

মতম কক্তবা কর্ফ্যু অমসুং নুমিৎ ২১ নিগী নেশ্নেল লোকদাউনগী মনুংদা কঞ্জুমরশিংদা অৱাবা লৈহন্দনবা খোংমন মংজি লদা লৈবা আর বি ইন্দেনলনা চাকথোং গ্যাসশিং য়ূম য়ূমদা থিনবীবগী শক্তম অমা

Volume No: 44 Issue: 121 | IMPHAL FRIDAY 27 MARCH 2020 | ইরাই, শজিবুগী ৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঞ্জাক

থৌরাং অমা লোয়রবদি
অতোপ্পা থৌরাং অমা তৌ
অদুবু পান্দম অদুদি হোংলুনু

অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩০.৪২° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৪.৪৫° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.১১
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.২৮

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.১৮
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬০.৮৫

লুহোং–মচল
SANSUI 32' LED (SMART K)
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
SANSUI 7.2 KG WASHER
ORIENT IRON FREE
₹ 29,990/-
SANSUI 32" LED TV
GODREJ 180 LTR. REFRI
SANSUI 6.5 KG WASHER
₹ 25,500/-
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
GODREJ / SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 33,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43" SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

কোভিদ–১৯ মায়োক্লনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৭ পেক্কেজ লাউথোকখ্রে

হেল্থ ৱার্করশিংঃ থা ৩গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৫০ গী মেডিকেল ইন্সরেন্স কোভর তৌগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ (এস এন এস)ঃ

হৌজিক কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা পীরিবা চৈথেং অসিবু মায়োক্লনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌশিল ওইনা ঙসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারামননা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৭ কী পেক্কেজ লাউথোকখ্রে।

ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্লা খুঙ্গং অমদি সহরদা লৈরিবা লায়রবা শিন্নীশিং অমদি মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অসিনা কোভিদ–১৯ গী পান্দম অসিদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিবু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা হায়দুনা পেক্কেজ অসি শেম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পেক্কেজ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা প্রাইম মিনিষ্টর গরীব কলয়ান স্কিম কৌবা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৭ কী স্কিম অসিনা লায়রবশিং অমদি মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী মতেং পাঙলগনি। লোয়ননা পেক্কেজ অসিগী মনুং চন্না লায়চৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা ডোক্তরস, পেরামেদিক অমদি হেল্থ ৱার্করশিং লুপা লাক্ষ ৫০ গী মেডিকেল ইন্সুরেন্সসু য়াওরি।

লাক্কদৌরিবা এপ্রিলগী অহানবা চয়োল অসিদা লৌমীশিংগী ওইবা পি এম কিষন য়োজনাগী মখাদা লুপা লিশিং ২ পীরগনি, স্কিম অসিনা লমদম অসিগী লৌমী ক্রোর ৮.৬৯ দা হান্নদগী হৌনা কান্নবা পীদুনা লৈরিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী জন ধন একাউন্ট লৈবা নুপীশিংদা লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসিদা মখোয় মখোয়গী একাউন্টশিংদা লুপা ৫০০ / ৫০০ গভর্ণমেন্ট অসিনা হাপ্লগনি লোয়ননা লমদম অসিগী লায়রবা অহল ওইরবা মীওইশিং, লুখ্রাবী অমদি হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংদসু এক্স– গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীরগনি। এম জি এন আর ই জি এগী মখাদা থবক শুরিবা শিন্নীশিংগী ওইনা মখোয়গী খূৎশুমল অদু নোংমদা লুপা ১৮২ দগী লুপা ২০২ দা হেনগৎলগনি, মসিনা লৈবাক অসিগী শিন্নী ক্রোর ৫ দা কান্নবা পীরগনি।

উজৱালা এল পি জি স্কিমগী বেনিফিস্যরিজশিংসু লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসিগী ওইনা লেন্না চাক থোংনবা গ্যাস গ্রামিন কলয়ান পেক্কেজ স্কিম অসিগী মখাদা পীরগনি।

সিতারামননা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা লায়রবা মীওইশিংদা কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসিদা তেংবাঙনবা গেহু নৎত্রগা চেঙ কে জি ৫ অমদি হৱাই কে জি অমমম লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসিদা লেন্না ফংহল্লগনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ইমপ্লোয়র অমদি ইমপ্লোয়ীশিংদা ইমপ্লোয়ীস' প্রোভিডেন্ট ফন্দ (ই পি এফ) পীরগনি হায়খি। মসিনা য়ামদ্রবদা ৱার্কর ক্রোর ৪.৮ তা কান্নবা পীরগনি।

পনবা য়াবদি, চয়োল অমগী মমাঙদা *...মখা লমায় ৩দা...*

কোভিদ–১৯ থেংননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অখন্নবা থৌশিল



- প্রাইম মিনিষ্টর গরীব কলয়ান স্কিম হৌদোকখ্রে।
- স্কিম অসিগী মখাদা মীওই ক্রোর ৮০ দা কান্নবা পীগদৌরি।
- শেল থাদোক–থাজিন অমদি ফুদ সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৭ কী স্কিম অমসু হৌদোকখ্রে।
- স্কিম অসিগী বেনিফিস্যারি খুদিংমক্লা চেঙ নৎত্রগা গেহু কে জি ৫ লেন্না ফংগনি।
- স্কিম অসিগী মখাদা হেল্থ ৱার্করশিংগী থা ৩ গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৫০ গী মেডিকেল ইন্সুরেন্স কোভর তৌগনি।
- উজৱালা বেনিফিস্যারিশিংদা লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসিগী লেন্না এল পি জি ফংহনগনি।
- ৱুমেন জন ধনগী একাউন্ট হাংবা মীওইশিংদা লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসিদা থা খুদিংগী ওইনা লুপা ৫০০ হাপকনি।
- লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা অহল ওইরবশিং, লুখ্রাবীশিং অমদি হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওই ক্রোর ৩ দা এক্স গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লিশিং ১ পীগনি।
- লৈবাক অসিদা লৈরিবা বিল্ডিং এন্দ কন্সট্রক্সন ৱার্কর ক্রোর ৩.৫ অসিগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎনবগীদমক স্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা লুপা ক্রোর ৩১০০০ কায়থবা।
- নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাক্ষ ৬৩ অসিগী কোল্লাটেরাল ফ্রী লোনশিং শরুক অনী হেনগৎতুনা লাক্ষ ২০ ওইহনবা।
- এম এন আর ই জি এগী শিন্নীশিংগী খূৎশুমল লুপা লিশিং অনী হেনগৎপা।

শ্যামকুমার এম এল এসু মিনিষ্টরসু ফম থাদোকখ্রে

এম এল এ ফম থাদোকপগী অয়াবা স্পিকরনা পীরক্কনি হায়বা থাজনদে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস) ঃ

এন বিরেননা লুচিংবা চহী অহুম মপুং ফারবা লৈঙাক অসিদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, মাহুদ এন্দ টাউন প্লানিং, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার এম এল এ ফম থাদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর ওইবদগীসু তোকখ্রে।

মহাক্কী মেম্বর ওফ লেজিসলেটিভ এসেমব্লি (এম এল এ) ওইবদগী তোকপগী চেরোল অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ রোম তাবা মতমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা টি ঐচ শ্যামকুমারনা মহাক্কী মীহুৎ থারগা পীশিনখি হায়রি।

অমরোমদা মহাক্ন লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইবদগী তোকপগী চেরোলশিং অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিনবগা লোয়ননা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাদসু কোপী অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্টরগী ফম থাদোকপগী চেরোল চীফ মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরদা পীশিনখিবদু লোগী ওইবা মীৎয়েংদদি অকায়বা অমত্তা লৈতে। অদুবু এম এল এ ওইবা তোকপগী চেরোল অদুদি হৌজিক হৌজিক শ্যামকুমারগী কেস অসি স্পিকরগী ট্রিবুনেলদা লৈরিবা অমসুং থা অসিগী ২৮ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ট্রিবুনেলগী জজমেন্ট লাউথোক্কনি হায়না মাঙজোননা খঙহনখিবা লৈবা মরন্না স্পিকরনা শ্যামকুমারগী এম এল এ তোকপগী চেরোল অদু হেক্তমক অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মসিগীসু মথক্তা এম এল এ ফম থাদোকপা হায়বসি মী অমা থারগা চেরোল অমা পীশিল্লগা হেক্তা য়াদে। এম এল এ মশামক স্পিকরগা শক্কা–শক্কা উন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু টিঐচ শ্যামকুমারদি সুপ্রিম কোর্টকী মরক্কী ওইবা য়াথং অমনা এসেমব্লি সেক্রেটেরিয়েটতা চঙবা থিংখিবনা মহাক্কী ট্রিবুনেলদা চৎননবগী খুদোংচাবা লৈতে। অদুম ওইনমক স্পিকরগী ময়ূমদা ওইরগসু *...মখা লমায় ৩দা...*

চুরাচান্দপুরগী বেহাং অমসুং চান্দেলগী শজিক তম্পাক কোভিদ–১৯ চেকশিন্নীংঙাই ওইরে



ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস)ঃ

ম্যান্মারদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখিবা মীওই অমদি মণিপুরগা তায়নবা টিদ্দিম হায়না খঙনবা মফমদুদগী ওইবনা মণিপুরগী চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম লায়না অসিদগী হেন্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ম্যান্মারদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী লৈরে হায়না থা অসিগী ২৪ দা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ স্পোর্টসনা লাউথোকখিবদা য়াওরিবা মীওই অমদু মণিপুরগা তায়নবা মফমদগীনি। মহাক য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী হদক্তা ম্যান্মারদা হল্লক্লগা মফমদুদা নুপী অমা লুহোংদুনা লৌরগা লৈরকখিবনি। মহাক্কী লুহোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী শজিক তম্পাক অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী বেহাং ময়াদা খুন্দাবা মণিপুরী মচা কয়ামরুমসু শরুক য়াখি। মরম অদুনা লুহোংবা য়াওরুবা মীওইশিং অদু কনা কনানো হায়বা ত্রেবেল হিষ্টোরি থিদোকপগী তঙাইফবদা লৈরে।

লায়চৎ অসিনা নাহল্লবা মীওই অনী অসিগী মনুংদা মীওই অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকা নক্লনা লৈবা ম্যান্মারগী টিদ্দিম টাউনদগীনি। টিদ্দিম হায়রিবা ম্যান্মারগী মফম অসি মৈহৌরোলদগী হৌনা লমদম *...মখা লমায় ৩দা...*

খ্বাই কৈথেলগী গ্রোসরিগী দুকানশিং হাংহনসি: লোকেশ্বর

মণিপুর লৈঙাক্লা চল্লাইবা ক্বারেন্টিন ফেসিলিটেট সেন্টর ১০ দা মীওই ১৯০ থন্নি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস)ঃ

কোরোনাভাইরস শন্দোকহন্দনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মথং থাগী ১৪ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা কর্ফ্যু লাউথোকখিবনা মরম ওইরদুনা হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না চানিঙাই–থক্লিঙাই লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবসি খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙন্নবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈরিবা গ্রোসরি দুকান পুন্নমক হাংদোকহনসি হায়না কোংগ্রেস এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

হোলশেল ওইনা পোৎ য়োনবা গ্রোসরি দুকানশিং অমা ফাওবা হাংদবা মরন্না লৈকাই লৈকাইদা অপীকপা গ্রোসরিগী দুকান হাংবশিংসু পোৎ লৈশিল্লক্তবদগী থোঙ লোন্নরে। মসিনা মীয়ামদা চান–থক্লবা পোৎলম ফংদবগী চাউনা অৱাবা মায়োক্লরে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা গ্রোসরিগী দুকানশিং লোকদাউনদা য়াওহন্দ্রগসু মণিপুরগী ওইনদি কর্ফ্যু লৈবা মরন্না লৈঙাক্কী অখন্নবা য়াথং অমা থোক্ত্রবদি দুকানশিং অসি হাংগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

এম এল এ অসিনা মখা তানা হায়, লায়না অসি ফহন্নবা নৎত্রগা হকচাং দা চঙহন্দনবা মখল অমত্তগী হিদাক লৈত্রি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মীপূম খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবিয়ু হায়বা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপিয়ু। ঐখোয় অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্লজরগসু মী শিহনবা ঙম্বা লায়না অসিদগী খুন্নাই অসি কলহৌসি।

মপান লৈবাক্তা মহৈ তম্লুবা নৎত্রগা থবক–ইনখাংগী চৎনরুরগা মণিপুরদা হল্লকখিবশিং অমসুং কোভিদ–১৯ মায়োক্লরিবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী অকুপ্পা মরোলশিং মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা পীখৎতুনা অমসুং মশা–মশামক ক্বারেন্টিন সেন্টরদা লৈবগী ৱারেপ লৌবিয়ু হায়নসু এম এল এ অসিনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা হাং দোকপা ক্বারেন্টিন ফেসিলিটেট সেন্টর ১০ দা হৌজিক হৌজিক পেসেন্ট ১৯০ থন্নি। মখোয় অদুদি কৈরাও বিত্রদা লৈবা টি বি হোস্পিটালদা ২১, য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমদা ৩৬, ইম্ফাল ভেল্লি একাদেমীদা ৩৩, জি এন এম স্কুল থৌবালদা মীওই ১২, বিষ্ণুপুরগী জে এন ভিদা ১৪, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ৩, তেংনৌপলগী ইলেক্ট্রিসিটি হাউসতা ১৭, চান্দেলগী জে এন ভিদা ২, বিজান

সারকুইট হাউসতা ২১ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ২, সাইকুলগী কষ্টুরভা গান্ধী বালিকা স্কুলদা ২ থন্নি।

মরক অসিদা, মীওই খরা লায়হৌ তৌরে, মশা নুংঙাইত্রে হায়বা ৱাকৎশিং মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা লাকপগী পাউ তাবা মরন্না হয়েংদি ক্বারেন্টিন সেন্টর নৎত্রগা হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা অনাবা মশীং হেনগৎলকপা য়ারি।

রেদ আর্মি অপরাইজিং দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ ঃ পিপল'স রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী খূৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলুপ রেদ আর্মিনা কুমজা ১৯৮০ গী মার্চ ২৬ তগী হৌনা লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগী থৌরম ৭০১ মোবাইল বট্টলিয়নদা ইচম চম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে।

লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোবেগন্দাগী সেক্রেটরী ইন–চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা খূৎয়েক পীদুনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম শিনবা থুংনা হৌজিক হৌজিক কোভিদ–১৯ হায়না খঙনবা লায়না অসিনা লায়চৎ অমা ওইনা পাক–শন্না শন্দোরকপগা লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক্তসু মসিগী চৈফু– চৈনা য়ৌরক্তুনা ইরৈচাশিংনা ৱাবগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা শরুক য়াবা ওইনা ৪০ শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগী থৌরম ইচম চন্না পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দর পার্টিগী ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা মিলিটরি এফেয়ার্স কম্মিটি (এম এ সি) গী চেয়ারমেননা পীবা পাউজেল চেরোল পাথোক্তুনা রেদ আর্মিশিংদা য়াওলগী মথৌ হাপকদবা ৱারোলশিং তাহনখি। চেরোল অদুদা চহী ৪৩ চুপ্পা প্রিপাক্লা ইরৈবাক্কী লাইবক লেপকদবা নীংতম য়াওল ঈহৌ চত্থরক্লিবা অসিদা রেদ আর্মিশিংনা লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাইনি। আই ও এফকা থেংনবা লানফম কয়াদা মখোয়না থৌনা ফনা ইরৈবাক্কীদমক লাম্থোনখিবা অমদি কত্থোকপগা লোয়ননা য়েক্লবগা মায়োক্লখিবা কয়া অদুগীদমক চাউথোকচৈ হায়বনচিংবা য়াওখি হায়রি।

রেদ আর্মিশিংনা ইচঙ থৌনা অমদি থৌনা লৈনা নীংতম য়াওল লাম্থেং চত্থদুনা আই ও ওফতা অফোঙবা– অরোনবা কয়াগী লান চত্থবা লেপত্রিমখৈ ঐখোয়গী মাঙখিবা নীংতম্বা হজ্জিন্নবগী অমদি নীংতম য়াওল ঈহৌগী পান্দম ফংনবগী পুংজা অদু নকশিল্লক্লবনি হায়বসি রেদ আর্মিশিংনা মতম চুপ্পদা থম্মোয়দা থম্বীয়ু, মসিতনা কংলৈপাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বা হজ্জিনহনবা ঙমগনি হায়বা এম এ সি চেয়ারমেনগী ৱারোলশিং পাথোক্তুনা রেদ আর্মিশিংদা থৌনা হাপখি হায়নসু লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অসিদা পল্লক্লি।

চুরাচান্দপুরদা কর্ফ্যু থম্বগী মীয়াম্না ৱাহম্থোক লৈহনখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস) ঃ

মালেমগী ওইনা হকশেলগী চাউরবা শিংনবা অমা ওইরিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ–১৯) গী লায়চৎ অসি থেংননবগীদমক অমদি ভাইরস অসিগী চেইন অসি থুগায়নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা দিক্রিক্ট খুদিংমক্তা হৌখিবা মার্চ ২৪ দগী মতম কক্তনা কর্ফ্যু থমখিবদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতদি চৎনদবগা মান্নখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার পাৱন য়াদবনা হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হৌখিবা মার্চ ২৪ দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মীয়াম য়ূম য়ূমদগী মপান থোক্তনবা সি আর পি সিগী মখাদা কর্ফ্যু লাওথোকখিবনি।

দি সিগী য়াথং অদুগী ৱাংমদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী পুং ৯ ফাওবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চুরাচান্দপুরগী চীফ এক্সিক্যুটিভ ওফিসারনা ঙরাং থোকখিবা য়াথং মগী মতুংইন্না চুরাচান্দপুর বাজার থোঙ হাংবগা লোয়ননা মীয়ামদা পোৎ চৈ লৈনবা থোরকপদগী লম্বীদা ত্রাফিক জাম থোকখি। লোয়ননা দুকানশিংদা মীয়াম্না চিক্না চাইনবা ঙমদনা ইন্নখি হায়রি।

চুরাচান্দপুর বাজারগী থৌদোক অদুদা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ঙাক্লা চৎফম থোকপা মী অমগা অমগী অরাপ্পা অমদি কোভিদ–১৯ দগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎফম থোকপা চৎন কাঙলোনশিং ইন্দবগী মমি চাউনা তাখি।

ঙরাং থোকখিবা সি ই ওগী য়াথং অদুদদি মীয়াম্না পোৎ লৈবা লাকপদা মিটর ১গী সোসিয়েল দিষ্টেন্স অদু ঙাক্লবা খঙহল্লবসু মীয়াম্না মদু নিংথিনা ঙাকপগী মমি তাখিদে। কৈথেলদা পুলিসকী কাঙবু লৈরবসু মদু থোইদোক্লা থৌশাদবগী মমি তাখি হায়রি। অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈন্দগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎপগী মমি তাখিদে। ফিভম অদুগী মতাংদা *...মখা লমায় ৩দা...*

লোইরেদনা

করিনো তাদ লৈঙাক্লদি পোৎ মমল হেন্না য়োনবা য়াদেনা লাউরিদুদি...!

[illegible]



ইবেম্মা, মমল হেনবা য়ারোই হায়না লাউরিবা লৈঙাক্তুদগী লৈবিরুরো...!

[illegible]

হেক্তা হায়জিনবা

হিদাক্কী এদভাইজরি

খুনদা চঙদুনা থক্কেরা
লৈকাইগী ভেন্দরদা ফমগেরা
কৈথেলগী গলিদা চঙগেরা
এন্নি হিদাক য়োনফমদা চঙগেরা
চঙলুরনু হায়বসু য়াররোই
থক্লুরনু হায়বসু তাররোই
থিংলুবসু ঙম্লরোই
থক্লো থক্লো পেন্না থক্লো
নশা নশা সেনিটাইজ তৌরো
অলকোহোননা সেনিটাইজ তৌরো
সেনিটাইজ নথন্তা তৌরো
লেপ্পা হেক্তা চিংলো
চানবা য়াওদনা তৌরো
ক্যুইক টেন হেক্তা তৌরো
অনী তৌগেরা অহুম তৌগেরা তৌরো
চখাউ তৎনবা তৌরো
লিভর থুনা লোইশিল্লো
কোরোনা নাদ্রিঙৈদা নাহৌরো

মণিপুরদা চঙলকপা মীওই লাক্ষ ১.৮৪ স্কৃনিং তৌখ্রে: সি এম

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ–১৯ থেংননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা মপান লমদগী মণিপুরদা চঙলকপা মীওই ১,৮৪,০২৪ স্কৃনিং তৌখ্রে। কোরোনা ভাইরস অসি মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবগীদমক ক্বিক রেস্পোন্স টিম শেম্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা ফ্লাইটতা অমদি লৈখা লম্বীদা মপান লমদগী চংশিল্লকখিবা পেসেঞ্জর ১,৮৪,০২৪ স্ক্রীনিং তৌখি। মসিগী মনুংদা ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা লৈবাক্তগী লাকপা মীওই ৪৮৬ য়াওরি। মখোয়শিং অদু লৈঙাক্লা কুপ্পা শেন্নদুনা লাকপনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ফোরেনর ৫৫ য়াওরি।

হৌখিবা মার্চ ২৩দা চীফ মিনিষ্টর ওফিসতা কোভিদ–১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুম হাংদোকখ্রবা মতুংদা পুন্না টেলিফোন কোল ১৬৪ লাকখি। মসিগী মনুংদা ৱাকৎ ৭৩ লাকখি। মসিগী মনুংদা জেনরেল অমদি সোসিয়েল কমপ্লেন্ট ২৯, কোভিদকা মরী লৈনবা ৱাকৎ ৩৯, ক্বারেন্টিনগা মরী লৈনবা ৱাকৎ ২১ লাকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ ২১ নি অমগসু টোটেল লোকদাউন তৌখিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীয়ু হায়খি। হৌজিক ফাওবদা য়ু কেদগী হল্লকপী নুপীমচা অমা পোজিটিভ ওইবা নত্তনা পোজিটিভ কেস অতে লৈত্রি। নুপীমচা অদুগী হকচাংগী ফিভম য়াম্না ফগৎলে হায়খি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দাক্তর পুম্নমক রিমস, জেনিমস, প্রাইভেট হোস্পিটালগী দাক্তরশিং পুন্না তান্নদুনা অনাবা অসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনরিবনি। ভাইরস অসিনা নাবা খুদিংমক শিবা নত্তে, হিংলগা চৎখিবসু কোঙ্গায়নি। মণিপুর মীয়াম্না ৱার্ল্ড হেল্থ *...মখা লমায় ৩দা...*

অসামনা মণিপুরগী তঙাইফদবা পোৎলম পুশিল্লকপা থিংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী মীয়াম্না শীজিন্নগদবা তাঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা গাড়ীশিং অসাম পুলিসনা থিংজিল্লগা থমখ্রে হায়না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা চেরোল অমা থারক্তুনা খূৎ থিংজিনবীনবা খঙহল্লকখ্রে।

জিরিবামদগী ফংবা পাউনা হায়, তঙাইফদবা পোৎলম পুবা গাড়ীশিং চঙহনবিরক্লবা এস পি অসিনা কয়ারক হন্না অসামগী মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎপদা মখোয়না তাবিবা লৈত্রে। মরম অদুনা ৱাথোক অসি লৈঙাক্লা পুন্নীং চঙহৌদ্রগদি পোৎ পুশিল্লক্তবদগী অৱাবা মায়োক্লরক্কনি হায়না লৌরি।

থবক কাদবা ডোক্তরশিং এক্সন লৌদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এস এন এস)ঃ

প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিংদগী কোরোনাভাইরস থেংননবা হেদ ওফিসতা কৌখৎলকই হায়দুনা মথৌ তৌদনা ময়ূমদা তুমদুনা লৈবা ডোক্তরশিং য়াওরকপদগী মখোয়গী লিষ্ট অমা পীখৎলক্লনবা মেডিকেল দাইরেক্তোরিয়েটনা মরী লৈনবা চীফ মেডিকেল ওফিসারদা য়াথং পীখ্রে।

বাশিখোং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা মথৌ তৌরিবা ডোক্তর মঙাগী মনুংদা অমখক্তমক *...মখা লমায় ৩দা...*

COVID-19 COMMON CONTROL ROOM

24 x 7 COVID-19 Common Control Room officially opened by Hon'ble Chief Minister Shri N. Biren Singh on 23rd March, 2020.

Please call at the Toll Free Number **1800-345-3818** for any queries.

Issued in public interest by:
IDSP, National Health Mission and
Directorate of Health Services Govt. of Manipur

SL/B/27